# ৱারীমচা

## সুম্মাই তৌরদি কম্মাই তৌনি!

*লাই ইমো*

ঐখোয়গী ইমাগী পাখৎপী মহৌশাদগী হেঞ্জিল্লকই। শপ্ত অমনি, লৈকাইনা হায়নৈ, নুপা ওইনা পোক্তৌবদা নোংঙানবনা হানখিবনি। ৱাঙাং ৱাতা, থবক খূৎশু-লাকশু, এ! মরীংজেন মতা অমনি। শাথীরিবদি 'মচিং অরাংবী' হায়নবী অমসু য়াওরি। কিবগী মথোং খঙদে, নুংশিবগী মথোং খঙদে অদুবু থম্মোয়গী ওইনা নক্লবসি ইমানা খিত্তি মহেল্লি। মতম অমগী মাগী খূৎফুদা ঐনা খনখি, "ঐখোয় ইমাসে, হিংচাবীনি 'সিবু মচা নুংশিরিবা হায়বদুরা?" ঙসিদি মপাঙ্গল হন্থরে মপূক্লীংদি হন্থদে। মখা চিক্কুনা মহৌশাগী শপ্তদু ময়ৌনবা লাক্লে। মসিদগীনি নীংলিবদু য়ৌদ্রগা শ্বাই পাখৎপী ফৎ-ফৎ ৱান্থবী অমা তোয়না নৎত্রবসু তৌরক্লিবসি। মসিগী ওইবা য়াবা মরমশিংগী মনুংদা ঐনা পাখঙ ফারম্বদগী মীয়াই চনশিল্লকপসিসু অমনি। মসি ডাক্তরগী মততি নত্তে।

ঙসিসু ইমা ৱান্থখ্রে। পাখৎপা য়াবমখৈ পাখৎচরে। লেপ্তুনা পাখৎপদুনা য়ারক্ত্রদুনা লৈকাইগী তাদ, মাম্মা, ইনে, ইন্দোল ময়াম চেনচৎ-চৎ কোইকৌ কৌরগা পূন্না পাখৎমীন্নজে। বাজি লৈখিদবা চহীবু ফাদ্রি চিংবু চিংনরকই তশেংনা ইমাগীসিবু চৎতৌরবা হায়বদুরা হায়না। লৱাইগী শম হাইথরকই, ইমানা জ্ঞান তপ্না-তপ্না লাকপদুদা নুংঙাইজে। অদুবু ঐ ভাবতি তাদ্রি- 'ঐবু কৈদৌসিগে!' ৱান্থরমদায়গী ইমাগী অরোইবা ৱাহৈ- 'ইচা পাখঙনি হায়দনা ঐনা চেঞ্জরুরিবদুদি সি ওইরেকো!' নাকোং অসিদা ইনৌ নৌনা তারকপগুম্মী।

ঙসাই অয়ূক্তো ইমাগী য়াথং কোক্তা পুদুনা চুরাচান্দপুর তান্না চত্তুনা নুপী অমখক য়েংলুবনি। উন্নরকই, অদুবু আশাগী ৱাংমদা লৈহৌই। ঐবু উরগা ইকায়হৌদে, হাউহৌদে। ইকায়দুনা মায় ঙাঙলরোইদবা ঐঙোন্দা, তাজখ্রসনু মতৌগুম 'মচা লৈরমদৌ মাল্লি' ৱাহৈসিমক হায়হৌরিবনি মমান্নবীশিংদা।

ঙন্তা হল্লকপসু ময়াবনি। আ মমিং কাউরবা শকতি নীংশিংলিবা চুহি মরুপ অমা কোক হেক থেংনবদগী অরোইবা গাড়ীদা লাকখিবনি। নুপানবু থেংবগী কিবা হৌনব্রা হায়দনা মরুপ মশেল ওইবগী মনিং থুংহল্লম্মী। অৱাবা, নুংঙাইবা, নীংশিংবা, কাউথোকপা, ফত্তবা, পূন্নমক্লা সম্পুর্ন ওইরবা অমৃত্তদু, অঙৌবা, অতাওবা, অনোয়বা খরগা চিন্দমমিন্নরকই। নুংশিবগী ৱারী মরক্তা য়ূম পাল্লব্রা হংলকই, চুম্মা খুম্নীংমনখিদুনা হায়রম্মী 'মীনদি পানবা মাল্লে হায়নৈ, অচুম্বগীদি কনামত্তনা মাল্লি হায়বীদে।'

গাড়ী থারমদায় হোর্ন মখোলদুনা ৱারী তেনশিনহল্লে। মানা ঐবু শমবোই, ঐনা মাবু চিংবোই, ঙাথু-থেঙথুরগা নুংশিননা ঐবু বস মনাকফাও থিনবীরকই। ৱাচেৎ তঙ্খাই মানবা মখূদাংদু ওন্থোক্লা লুম্না থাঙ্গৎতুনা, চৌরবা ময়াদু খিগৎলগা বাই-বাই তৌহৌই। ঐদি থাঙ্গৎফম থোকই খল্লিঙৈদা অদুম থাঙ্গৎলমদ্রে ইখূৎসে। কয়াদা নুংশিনখ্রবা মরুপনো।

উইগুমসু তৌই, তুমগুমসু তৌই। গাড়ীনগা নোম্বনে, ঐনগা হাইবনে, ইমীৎসিতা পাঙথোক্লুবা হোৎনবদা অৱাবা ওই। ভারা খোম্বা লাকপদুদা মীৎ খিত্তং শিংই। ইনাক্তা নুপী অমা, চহী ২ / ৩ গী অঙাং অমা শেগা লৈথরগা ঙকথি চপপোই পোবোই লেপ্পদু বেগ হাংবা লাক্লরম্মী। মহৌশাগী হৈনবীদুনা মমায়দদি ময়েংগে খন্না য়েংখৎলুবদা, মাদি ঐনা য়েংখৎলকপা ঙাইরম্বদৌনা তৌই। 'অঙাংসে ঙাইহাক্তা পায়বীগে হায়দে সুম য়েং লৈয়ে।' ঐনা খুম্বা নংদ্রিঙৈদা নাহোংদুগা অঙাংদু ইতম্বাক্তা থাদবোই থম্বোই শৎ। অঙাংদুসু মপাবু মাল্লুরব্রা খঙদে কোনশিল্লকই। ঐগী ভারাকা মমাদুনা পীখ্রে। ফজবরা ফজদবরা হায়বা ফাওবদি য়েংনিংলুবনি অদুবু উইথরকপা মীৎনা ঙমখিদুনা অদুম তুমথখ্রমাল্লে মীৎ পাঙথোরকপদা ইম্ফাল য়ৌবগী লাংনরম্লে।

ফুক হৌগৎকে তৌবদা অঙাংদু থেংনরকই তম্বাক্তা। নুপী অদুদি লায়রদনা গাড়ী মনুংদা গাড়ীগী মী নত্তনা কনামত্তা লৈরমদ্রে। হুমাং অনপ্পী কাংই। হুমাং মহিনা অঙাংদুসু ঐসু চনপ্পরম্লে। গাড়ীগী মী অদুদা হংই- 'ইবুংঙো নুপীদুদি?'

– খঙদে, ইম্ফাল, ইম্ফাল য়ৌরকপদদি য়াওরক্ত্রে।

– করিনোনে হায়রিসিবো। মচা হুন্দোক্লম্লিসিবো!

ঐগী ৱাজবদুদা কনামত্তা শরুক য়াবীরক্তে। গাড়ীদগী কুমথরগা শক কাউখ্রবী নুপীদুনা ঐবু উজনবা কোয়চৎ চৎলি। 'ঐবু অঙাং য়েপখ্রে হায়দনা ৱা থোক্লুবা তারে করম্লো।' থবাক্কী মিহুলসি চোংলিবা হায়বদুরা, হুনলিবা হায়বদুরা দং-দং ফাওই। বদমাসকী অঙাং অসিসু মমা কৌগেদি লৈতে, 'পাপা, পাপা' ঐঙোন্দা! মশক্তু নুংশিবা অমদি ফাওরি অদুবু খোয়দৌসি ওন্থোক্লা লংখৎলি। ইমানা করি হায়বা, ঙরাং নহান কায়নখিবী তোম্বীনা তারগনা করি খনবা নাকোং শায়। পুলিসতা পীরসি হায়বসু চিংনৈ, ঐসু অঙাংসিসু পুল্লপ ফাবা য়ারিবনি। নুপা ওইরবসু নোংমতা থানাগী লোক-অপ চঙলক্ত্রি মীশোন্নি ঐদি। অদুদি কমদৌবা? খনমখৈ খল্লগা খ্বাইথোং মচিনগী পুলিস অমদা জয় পরাজয় য়েংলগে খন্দুনা চঙশিল্লি। পাখৎলবা পূক্লীং ফাইরিবা লৈয়েং ফংজিন্দুনা ৱারীদু লিজৈ। অদুগদি মখোয় খরা ওমশিল্লকই।

১ – করম্না মমানা মচা কাউরমদোইনো?

২ – অহল নং য়াম্নসু ঙাওরে, পেট্রোলিং লাকপা থেংনরদি শোয়দনা ফররোইকো।

৩ – নাহোংগসু য়াওরিনে! চৎলো ইমুং মনুং খৎনরগা মচাসিবু থানাদা পীগে হায়নে। থানাসিবু অঙাং মচা-মশু ফারগা য়োকফম ওইরবোই নীংব্রো?

ফনা থম্মোয় শেংনা লিজবা ৱারীনি। কান্নদে। উপায় তৌবীরক্কদ্রা হায়রগা, ঙসাই অয়ূক কোই ফানখিবদা ঙাইরিবা খজাইসিদা মশীংদি থিহৌদ্রে খরা পীরকখিমাল্লে। ঐ তশেংনা পাখঙনি। সিবু সুম্না খাংঙুথক্তা মপা ওইরদ্রনে? ঐ পাখঙনি হায়বসিবু করিনা উত্তোইনো? শারি-শারি লাওরবা ইমায়, ফজরবা অঙাং, মম্লবা বুধি পূন্নমক লুম্নবা কপ্লাকসিনা পুদুনা হল্লকখি। মৈঙাল মপা অমদা অঙাংদুনা 'পাপা ঠাই পিয়ো' অমুক্তং নত্তে নিংঙাইবু তৌশিল্লকই। লোলিপোপ লৈদুনা পাপ চেন্দ্রবা বৈষ্ণবতুগী মচীন্দুদা চুপহল্লি। অদুগদি ইহিসু হিগৎচরি 'থিদা শক্তা অসিদি!'

ওটো অমদা য়ূম য়ৌবা ফাওবা থিলহল্লে। থোংজিন মপান্দা ফনা কুইনা থোঙবা পায়দুনা লেপ্লুরবা তুংদা কপ্লিং-লাউনিং পূক্লীং নুংশিনা কৌই-

– ইমা, ইমা অঙাং পুরক্লে, থোং হাংও।

– হা! করিনো করি হায়বা (ওন্থোক্লা হরাউনা)?

– হৈমা কদায়দৈ অঙাংনো সিদি... (শকফম হঞ্জনখি)।

– বস মনুংদা তম্বাক্তা লৈরম্মী। মী পূন্নমক্লা ইচানি হায়রে।

– অদুবু হেত্তা য়াব্রো! কনানা পীরম্বগে নঙোন্দবো?

– কম্মাই খঙদোইনো ঐনবো?

– হায় বুদু! মথোং মরম খঙদবা! চৎলু থানাদা পীরুচো। ইমুংসিদা অদুগুম্বা লমজা সরাকা পুশিনবা য়ারোই।

– থানানসু ইচানি হায়রিনিনে... ঐ খঙদ্রে ইমা।

– ও... সি ওইরে, নঙনা থবক লৈ থবক লৈ হায়দুনা নীনি হল্লক্তা হুম্নি হল্লক্তা চৎলিবা। অদুগসু য়ূম পানখিরোইকা হায়জ-শারিনে। চৎলো য়ূমসিদা লৈবীরনু। হে লাইবক... ঐনা ইচা পাখঙনি হায়বা ৱানা চেঞ্জরিবদি সি ওইরেকো!

হায়রন্নগা ইমা ৱান্থখিবনি। ওন্থোক্লা ৱানা হোৎনদুনা জ্ঞান লাক্লে। মখা চিক্কুনা ঐঙোন্দা য়েংলকই। ঐবু তিল্লিবা মীয়ামদুনসু য়েংলকই অমত্তা ওইনা। ঐদি ইমাগী খোঙয়া থম্বালবু য়েংজৈ। পুমচিক চিকপদু থুগায়দুনা খাংঙুথক্কী ইচাদুনা শেগাদগী কৌরকই, 'পাপা...।'

# তাবুনুংদগী

ঙল্লিঙৈ মতমদা মৈতৈগী লুহোংবগী থৌরমদা লাইনিং-লাইশোন ওইনা পেনা ঈশৈ শকপা চৎনরম্মী। লুহোংবগী পেনা শৈশক্তা শক্লরম্বা ঈশৈশিংদি মালেম শেম্বা, নোংখোঙ কোয়বা, পান্থোইবী খোঙ্গুলনচিংবনি। অদুবু লুহোংবগী লৈ কোয়বা মতমদদি তাইবঙ মপুনা শান্নবা লীক্লমদা শক্লরম্মী। লুহোংবগী লৈ কোয়বদা পেনা শকপনা তঙাইফদনা শক্লরম্বা ঈশৈগী মতাং অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

"শোন্নপুংগী ময়াইদা, নীংথিজরে ফজরে লাইনিংথৌনা য়েৎতা ফম, লাইরেম্বীনা ওইদা ঙাল্লে। লাইনিংথৌনসু হেন্দে, লাইরেম্বীনসু ৱাত্তে, ফজরেদা ইনিংথৌ, সনাগী তাংবল মথক্তা শজিক অনী থোক্লম্লে, থাবা অনী ঙানগুম্লে। লাইনিংথৌগী কোকথক্তা সনাগী কোকয়েৎনা ঙান্থোইরে, লাইরেম্বীগী কোকথক্তা কজেংলৈনা ঙান্থোইরে। ফজরে লাইনিংথৌ, ফজরে লাইরেম্বী। পন্থৌনা য়োম্বা খয়োম্নি, পলেম্না পুনবা লৈপুলনি, য়েংঙু য়েংঙু অনীসে, পাখঙ-নুরা অনীসে কনানা ৱাৎলিবা কনানা হেল্লিবা অনীসে, ফজবদা হায়নীংঙাই লৈতে, য়েংবদা পূক্লীং নুংওল্লি। অতিয়াদা থোকপা থাজনা ঙসি মালেমদা ঙাল্লরে, কনানা হেল্লিবা য়েংবদা পূক্লীং নুংওল্লে, ফজবদা হায়নীংঙাই লৈতরে, থাবু ঙমজবী মায়থোঙনি।"

# মণিপুরী পান্থৈ-পাউরৌ, পাউতাক

* **কে-নবা হৈত্রগা চৈজা নম্বোনি।**
  - লান্না লৌখিদুনা ইকায়বা নংবা।
  - নুংশিনবা হৌরুবরা হায়ববু শাওরকপা।
* **কেগেদা শানবা ষণ মানশন ওইবা খঙহৌদে।**
  - লৈরু লৈরুবা মফমদুগী চৎনবীদা লূপখিবা।
* **কে-না শেকচবদা নপ চোংথোরকপা।**
  - ফজনবা হোৎনবদা অশোয়বা অথীবা য়াওরকপা।
* **কেৱা পাম্বী মতোন্দি কুমদম মায়কৈ ওনশিল্লি।**
  - কুম তম্বা মায়কৈ তাকপগী খুদম অমা।
* **কেবদা মচুম তাবা।**
  - কেবা হেনমনবদগী ময়াম্না লক্লবীবা।
* **কেদি য়াম্না কেজৈ খিৎতং ৱাউবদনি।**
  - মীনা ফজনা তৌজবদুদা অশোয়বা অমদি পীশিন্নিংবা মতৌ।
* **কেসো অমদা গুলামজাৎ অপোম্বী।**
  - চন্নফম খঙদনা ফজবা।
* **কেশে ফলাং য়ান।**
  - তৌনিংবমখৈ তৌজরকউ উশিৎপীদে হায়বগী মওং।
* **কৈ ৱাহীবা।**
  - হৌখ্রবা ৱাদু হঞ্জিন-হঞ্জিন্না ঙাংবা।
* **কৈ-কিদুনা চেল্লগা শওম ওক্লে।**
  - য়াম্না শাথিবা অমদগী নান্তোরল্লগা মদুদগী হেন্না শাথিবা অমমুক থেংনবা।
* **কৈসু কি মথীসু কি।**
  - থবক তৌবদা থবক্তুগা মরী লৈনবা পূন্নমক ইকিদা কিবা।
* **কৈথেল ষণনা হেন্না শিংবা।**
  - মীবু পঙই হায়দুনা করেম্নবীবা।
* **কৈনা তোকপা পোকপরা।**
  - মপা মমাগী লমচৎ-শাজৎ মচাদসু চঙই।
  - মচাদি মপাগী মওং মতৌ লৌই।
* **কৈনা খূজিল থাবরা (কৈনবু ময়া কাউবরা)।**
  - হৈনখিবা শাজৎ থাদোকপা হেক্তা য়াদে।
  - মীদি মশাগী খ্বায়দগী মরু ওইবা খূৎলাই থাদোক্তে।
* **কৈনা ময়েক মাঙবরা।**
  - মশাগী মতীক ময়াই মাঙবা হেক্তা য়াদে।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

# চানক্য নীতি

– লম্বুমগীদমক বেদ তন্নিবা অদুগা শুদ্রগী চাক চারবা ব্রাহ্মণদু করি কান্ননি, মহূ য়াওদ্রবা লিনগুম্মী।

– মহাক্লা শাউরকপদা অকিবা পীদ্রবা, পেল্লগসু মনা মথুম পীরত্ত্রবা, মহাক অদু কান্নদ্রবনি। পেনবীরগা কনবীদ্রবা মীদুনা শাউরক্লগা করি তৌগদৌরিবা?

– মহূ য়াওদ্রবা ফাওবদসু লিন্না মকোক থাঙ্গৎতুনা ফনদোকই। উৎলিবা অকিবা শক্তমদুনা অদুম য়ারে, মীনা হূ য়াওবা য়াওদবা খঙবা নত্তে।

– অপঙবা মীনা অয়ূক্কী মতম জুৱা শান্নদুনা, নুংথিলগী মতমনা নুপী নহা লোয়নদুনা অদুগা নুমিদাংগী মতমনা হুরান্দুনা মাঙহল্লি।

– (ভগবানগীদমক) মখূৎনা লৈ পরেং লেঙলিবা, মখূৎনা চন্দন তক্লিবা, মখূৎনা লাইশোন ইরিবা মহাক্লা ইন্দ্রিদগী নুংঙাই য়াইফবু নমদুনা লৌই।

– চু, থোইদিং, অতোনবা জাৎকী মী, লোয়নবী নুপী, সনা অদুগা লৈবাক, চন্দন, শঙ্গোম অফম্বা, খ্বা হায়রিবশিংসি তকখায়রিবা অদুক্কী মখৈ মগুণ হেনগৎলি।

– খাঙবা কন্না মায়োক্লরবদি লাইরবসি থোইনা ৱারোই, অচম্বা ফিসু লূনা শীজিন্নবদা হন্থনা উরোই, হাউতবা চীঞ্জাকসু ফজনা থোঙলগা শানা চারবদি অমাঙবা পীরোই, অথীবা শক্তমসু অথুম্বা ৱাঙাং, ফজবা লমচৎ অমসুং নীংথিনা মী লোয়নবা হৈবদা অৱাবা ওইরোই।

– লন ৱাৎপবু লায়রবা কৌদে, বিদ্যা লৈববু ইনাকখূনবা কৌই, তৌইগুম্বসুং মহৈ হৈতবদি হীরম খুদিংদা ৱাৎলবনি।

– খোঙ থাঙদ্রিঙৈদা য়েংগনি ঈশিংবু থক্ত্রিঙৈদা চুমথোক্কনি, শাস্ত্র য়েংলগা ঙাংগনি অদুগা পূক্লীংদা খল্লগা থবক তৌগনি।

– নুংঙাইবা পান্নগা বিদ্যা থাদোকউ, বিদ্যা পান্নগা নুংঙাইবা থাদোকউ। নুংঙাইবা পাম্বনা কদায়দগী বিদ্যানো, বিদ্যা পাম্বনা কদায়দগী নুংঙাইবনো?

– কবিনা উদবা করি লৈ, নুপীনা তৌবা ঙমদবা করি লৈ? য়ু থক্লবা মীনা হায়বা ঙমদবা করি লৈ? ক্বাক্লা চাদবা করি লৈ?

– লাইবক্লা চাক্লিববু নিংথৌ, নিংথৌবু চাক্লিবা অদুগা লল্লৈববু লায়রবা অমসুং লায়রববু ইনাখূনবা ওইহল্লি।

– পীনিংদবা মীদা নিরবা মী য়েক্লবনি, অপঙবশিংদা ফনবা তাকপীবা মী য়েক্লবনি, মচৎ লুদবী নুপীগীদি মপুরোইবনা য়েক্লবনি অদুগা হুরানবগী য়েক্লবনা থানি।

– মহৈ হৈত্রবা, খাঙবা কন্দ্রবা, পীথোক্লন্দ্রবা, লৌশিং লৈত্রবা, লমচৎ ফজদ্রবা, মগুণ লৈত্রবা অদুগা ধর্ম্ম লৈত্রবা মীদুদি পৃথিবী লূম্নবা মচাক্লি, মীগী শক্তম লৌবা কোয়চৎ চৎলিবা শানি।

– খন্থবা ঙমদবশিংদা তাকপী তম্বীবনা কান্নদে, মলয় চীংদা হৌদুনসু ৱা পাম্বীনা চন্দনগী মগুণ লৈবা হৌনদে।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

# মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

১৭৫. ঐদি নঙগীদমক শিরেদো নঙদি কনাগুম্বা অমনা খৌরাংনা ঙাইহৌরি-

১৭৬. অমুবীগী মখুনদা অঙাঙবীনা শৎ-শৎ লেকপা মপুনা খাম্মগা তোকপা-

১৭৭. অমৃতগী চফু উগী উপুদা হাপ্পা লিমোন্না অমুক য়োমশনবা-

১৭৮. অহৌবদা মখোঙ মরি পানবা অরোইবদা নখোঙ অহুম পানবা মরক্তুনা মখোঙ অনীদমক পানবা জীবা-

১৭৯. নিপা অমনা নোংঙানবদগী চাকঙন চারগা চৎখিবা জগোয় শারুরগা হল্লকপা-

***মমাঙ নোংমাইজিং (০৯-০৬-২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

১৬৯. পয়া অশিবা পুবা।

১৭০. ঘরী শিবা।

১৭১. নুংশিৎ খায়বা।

১৭২. শরারু।

১৭৩. চফু অমুবদা চাক থোংবা

১৭৪. চফু থাংথরবা মতুংদা ইৱান থাঙ্গৎপা।

# চয়োলপসিগী ফাগী

**পারা তমবীবা!!**

ইম্ফালদা লৈবা ফার্মাসি অমগী হিদাক য়োল্লিবা নুপা অমখক শক তাখৎপগীদমক মীয়াম্না খঙনৈ। ওখাক তাখৎলি হায়নৈ। মদুদা নোংমদি, মীকা কয়া উশিত্তবা, খরা ঙাওশিন্নবা নহা অমনা থওইনমক্কী লক্লরগে হায়দুনাঃ

**নহা** – তামো শক তাখৎপৈ গুলিকা য়াওবিব্রা লুপা কুনদৈ পীয়ুবা?

**হিদাক য়োনবা** – (ইচম চম্না) দুম্বদুদি য়াওদেনে ইঙো।

নহা – (য়াম্না ইং-তপ্না) অদো তামোনা চাবীরিসিনা কায়দা ফংবীবা ওইরবনো?

**মীৎনা উবা অনকপা!!**

**ওজা** – মোমো নঙ হায়য়ু, থাগা জপানগা কনানা লাপ্পী?

**মোমো** – (হায়ফেৎ খল্লগা) জপাননা লাপ্পী ওজা।

**ওজা** – (ইঙক-ঙক্লর) কমহাই লাপ্লিবা?

**মোমো** – ওজা, থাদি নুমিদাংদা হেক-হেক উই, জপানদি অমুক্তসু উদে।

**ৱারেংগী মচাক!!**

**ওজা** – (ছাত্রশিংনা লানখৎনরকপা কপিবুক ময়ামদু মথং মথং য়েংলগা, কাগী মচি অমদা কিথি কিরুম ফল্লিবা তোম্বদা) হায় তোম্বা করিগীনো নঙনা 'ঐখোয়না শান্নবা ফুটবোল মেটচ' হায়বা এসে ইরকউ হায়রগা ইরক্ত্রিবদে?

**তোম্বা** – (য়াম্না ৱাজবা মওংদা) ওজা, ঐখোয় লৈকাই লাই হরাউবদৈ লম্পাক্তা বোল শান্নবা য়াদদুনা তৌজবনি।

**অচুম্বা ঙাংবা!!**

ময়ূমদসু মতু-মচা লৈরবা নুপা অমনা, পাখঙ শাদুনা কোইরুবা লৈশাবী অমা চেল্লবনি হায়দুনা চেল্লক্লকান্দা, মাগী অশেংবা ফীভমদু লৈশাবীদুনা খঙলকই মদুদা ঃ

**লৈশাবী** – (হিক-হিক কপ্না অমসুং শাউনা) লুহোংদ্রি লুহোংদ্রি হায়রগা...

**নুপা** – অশেংবনে নচেসিদি কৈন্যা কৎখিবতনে।

পুঙ্কক চাউরবী মেমচানা চাক থোংবা লোয়রগা থিদোত্তুনা মপা-মমা মৌপ্পাখোয়গী পুখম থাঙদোক্লগা ময়াম চানরকান্দা মহাক্তি চাদনা অসুম লৈবদুদা-

**মমা**– ইবেম্মা কৈদৌরে নহাকসু চারসি লাকওদনা?

**মেমচা** – ইমা ঐগী লোক থুংইসে চরা অমতং হেল্লু হায়না ইবোক্লা হায় চাররোই।

(ৱাসি হেক তাবদা চাক হুক্লে তৌরম্বা মৌপ্বাদু ফুক হৌগৎলগা 'ওক-ওক' তৌদুনা মপানলোমদা চেম্থোকখি, অদুগা হঞ্জিল্লক্তুনা হায়রৈ)

**মৌপ্ব** – ইমা ইমা চেচেসে লোক থুংবগী মনপ য়াম্না চোবনি।

# শৈরেং

## নোংঙ্গুম্লকখো থৱায়শিং

*– তবানু খুরাইজম*

ইঙাগী থানিল মপুংয়াই  
থানিল মাগী মঙালদা  
লাক্লে জুন তরানিপাল  
কূমওন খুদিং কায়দনা,  
তাইবঙ পনখৈ লানখ্রবা  
থৱায় নখোয়বু শোনফম  
কেক্রু পাৎকী মশাইদা  
নোংঙ্গুম্লকখো থৱায়শিং।

কংলৈ নরম লম্লেনগী  
শম্বল খাদ্রবা ঙমখৈগী  
থৱায়না পোম্থা পীখিবা  
নুংশিরবা থৱায় মীরেলশিং,  
পলেম পন্থৌ শাগৈ-নাতে  
নরুপ নপীজা কয়ানা  
ঙমজবা হৈরাং তম্নরক্লি।  
কেক্রু পাৎকী মশাইদা  
নোংঙ্গুম্লকখো থৱায়শিং।

থাবুম তরানিথোইবু  
পীবুক হাপ্না খাঙলকপা  
খৌগংল থৱায় মীরেলনা  
পোক্লফম মায়কৈ য়েংদুনা  
ওন্ন-থোইনা লেল্লকপা  
জুন তরানিপাল লাকপসিদা  
লৈখল শুরবা তাইবঙগী  
পীরাং মরিক খুজোক্তা  
হৈরাং লৈরাংগা তর্পন  
তন্নিনে থৱায় নখোয়গী  
পীবুক থন্না চারখো লাও  
নোংঙ্গুম্লকখো থৱায়শিং।

## হামচৎনরবা থৱায়

*– কেঐচ গুনমনি লৈমা*

হামচৎনরবা থৱায় মচাশিংনা  
অমম্বা অহিং অথেংবদা  
খোঞ্জেল হৌনা লাউরি  
পোক্লফম ইমা লৈবাক্কীদমক।  
অহিং চাকতাবা মকুশিং  
চাকতাররি মশীং থিঙমদনা  
তম্নলাইশিংনা কোইপাই পাইরি  
ৱায়েল বীচারগীদমক।  
উতাংবীনা লুম্নরি তাংজফম  
চীংজাউশিংনা খাঙলি মৈশা  
কোকথোকপীখিবদগী মশম মনা।  
শম্বল খাবিদ্রবা ইথোলদা  
লিৎশিল্লক্লি মতমগী তম্নলাই।  
উখৈ-থক্কী চেক্লাশিং  
পাইখরে চাকতাফম থীবা  
মীওইবনা য়ৌঙমদবা মফমদা  
শেম শারি লৈকংলাগীদমক  
মালেম ইমাগী ফম্বাকথকসিদা  
মথৌ খঙবা মানবশিংনা।

## মীখল

*– ব্রজমোহন কোন্সম*

মীখল পাঙথোক্লি  
অফবা অচুম্বা মথৌ ঙম্বা  
মীহুৎ অমগীদমক  
অচান-মীরাই নাইদবা  
মীহাৎ-মীপূন লৈতবা  
চীং-তম খায়দনা  
অমত্তা ওইনা ঈং-তপ্পা  
খুন্নাই অমা শেম্বা।

অদুবু, মীখলগীদমক  
শেম্নরি কাঙলূপ-কাঙলূপ,  
খোম্নরি মীচঙ-শঙ্গন  
ৱাহৈগী তেনসু কাপ্নরি  
নীংশিংনদে মীখলদি অরোনবনি।

খন্থনদে অফ-ফত্ত  
য়েংলি পীজ-পীথক্তা  
শীংথানরি মরল মথুম মীরেপকী।

পানরি মীরেপ খুদিং  
থাজনরি মায় পাক্লনি মশা-মশানা  
খনগদবদি অমতনি।

লোইখ্রবসু মীখল  
চীন্দা-পাউদানবদি লেপ্তুরি  
মলোম থম্নরি  
মরুপ-মপাং মচিন-মনাও  
মপা-মচা মচে-মচন  
ঙাইনা-ঙাইনা মীখলগী ফল  
থম্মোয় মিহুল ফাথনা।

মীখলগী ফল খঙলবদা  
মায়থীরবা মীরেপকী  
কোকনুংদা চঙখিবা মৈবুলনা  
ফাওরক্তুনা থম্মোয়দা  
মচেৎ তানা কায়রবদা  
মপান থোক্তনা ইমুংদা  
ওন্না থোইনা খাঙলিঙৈ  
কাঙবুনা মায় পাক্লবা মীরেপকী  
লাউররি খোঙলরি, হরাউররি  
চৈররি কল্লক পেন্না  
য়েক্লবদা লমন খুম্বগুম।

অসিরা মতমসিগী মীখল  
তাজনীংদরে উজনীংদরে য়াওজনীংদরে  
অসিবু করম্না ওইখিবনো  
অতোপ্পা পান্থৈ থীরসি  
চাউখৎপা ফজবা মীখলগীদমক।

## সহরসিদা পোকপা ঐহাকসে

*– রাজেন্দ্র ওক্রম*

সহরসিদা পোকপা ঐহাকসে  
লৈঙম্লোইদৌরে সহরদা  
তানবা কনা য়াওদনা ঐবু  
থাদোকপা তারে ইম্ফাল সহর।  
ৱাং-চাউর' পোৎকী মমলদা  
উংলিঙৈ শুফম-চাফম খঙদনা  
হংলক্লে পাক-চাউর লম্বীনা  
মথক্তা লেপ্লুবগী মমল।  
তাউরিঙৈ শেমগৎলকপা ইরাংদা  
লাউরক্লি হৌরবা খোঞ্জেলদা  
মতমগী শান্নপোৎ কয়ানা  
কমদৌরিবা চাগা-চাদিং।

## নখোয়খক

*– তোংব্রম শামুঙৌ*

হে! খূৎহৈবা  
মালেমসিগী খূৎহৈবা  
বোম-তোপ, মিসাইল  
মখল-মথেলগী  
খূৎলাই শারিবা,  
থৱায় পানবশিংবু  
উৎ ওলহনবা ঙম্বা  
অদুবু,  
করিদি খল্লি  
পূন্নমকসি নত্তবা  
মীওইবা খুন্নাইসিগীদমক,  
করম্না য়েংলি  
নখোয়গী মীৎয়েংনদি  
নখোয়গী মালেমগীদমক  
খূৎহৈবা হে! খূৎহৈবা  
অদুগা,  
মসিমদি নীংশিংঙু  
মালেমসিনা  
উৎ ওনখ্রগা  
য়াগদ্রা হিংহৌবা  
মালেমসিদা,  
মীওইবা খুন্নাই 'মগীদমক  
হে! মালেমসিগী খূৎহৈবা  
নখোয়খক, নখোয়খক?

## হায়নবা লৈ

*– শ্যামজোর লুৱাং*

মখোঙ শাংবা মী  
লমদা শি।  
'ক'-না কোনবা  
মফমদৈ হেনফদে।  
নঙনা তৌবনা নঙনা ফংই  
ঐনা তৌবনা ঐনা ফংই।  
নীঙাই ফত্তবা অঙাং  
ঙামোক য়াম্না চাই  
লাই ফত্তবা  
চবান য়াম্না চাই।  
মী ফত্তবগী  
হিদাক লৈতে।  
য়েক্লবগা মরুপ ওইরবদি  
খুউ শেল্লু।  
অপঙবনা মায়থীবা ফংই,  
অশিংবনা মায় পাকই।  
মীরমচৎসু কায়ফদে,  
লাইরমচৎসু কায়দ্রি।